

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ইস্পনিওলগা শান্নগদবা মেটচতা মশা শোকপদগী শরুক য়াবা ঙমদবগী ফিভমদা লৈরিবা রিয়েল মাদ্রিদকী জেরেথ বেল*

*উজবেকিস্তানগী সিটি টাস্কেন্ট সিটিদা পাঙথোকপা টাস্কেন্ট ওপন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবী য়ুক্রেনগী কেটারিনা বোন্দারেনকো*

## এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসনগী চহী ১৬ মখাগী ২০১৮ গী চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম ক্বালিফাই ওইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ৩০ঃ*

কুমজা ২০১৮ দা মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৬ মখাগী এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন (এএফসি) কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অসিনা তোঙান–তোঙানবা এসিয়াগী গ্রুপ ১০ গী টিমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবা গ্রুপ ৬ কী মনুংদা অমা ওইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখিবনি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অসি গ্রুপ (দি)দা ইরাক, পেলেষ্টাইন অমসুং য়ুম্বু নেপালগা পুন্না ক্বালিফায়িং মেটচ শান্নখিবনি। টিম অসিনা পেলেষ্টাইনবু অহানবা ক্বালিফায়িং মেটচতা পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীরবা মতুং অনীশুবা মেটচতা য়ুম্বু নেপালগা পাঞ্জল ২–২ চন্নরগা দ্রো চংখিবনি।

চহী ১৬ মখাগী এসিয়ান ফুটবোল কনফিদসেনগী ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগী মখা তানা গ্রুপ (দি) দা ইন্দিয়াগী টিম্না ইরাক্কা শান্নবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা দ্রো চংখিবদগী গ্রুপ অদুগী ওইনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবদগী মথং গী চহীদা মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৬ মখাগী এএফসি ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।



*চহী ১৬ মখাগী এএফসি কপ্তা শরুক য়ানবগীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম*

ইন্দিয়াগী টিম অদুদা নত্তনা তোঙান–তোঙানবা গ্রুপশিংদা খ্বাইদগী ফজবা অনীশুবা থাক্তা লৈখিবা টিমশিংগী মনুংদা ক্বালিফাই ওইখ্রবা লৈবাকশিং অদুদি ওমান (গ্রুপ বি), থাইলেন্দ (গ্রুপ জি), ভিয়েটনাম (গ্রুপ আই) অমসুং আফগনিষ্টান (গ্রুপ সি) নি। য়ুম্বু মালেসিয়া চৎন–পথাপকী মতুংইন্না টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বালিফাই ওইখি।

চহী ১৬ মখাগী এএফসি ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লিবা ক্বালিফায়িং মেটচশিংদা মায় পাক্তুনা ফাইনেলগীদমক শরুক য়াগদবা টিমশিং অদুদি সাউথ কোরিয়া, ওস্ট্রেলিয়া, নোর্থ কোরিয়া, জপান, জোর্দান, ইরাক ইন্দোনেসিয়া, ইরান, টাজিকিস্তান অমদি য়েমেননি।

এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসনগী চৎন–পথাপকী মতুংইন্না তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লিবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা গ্রুপশিংগী মকোক থোংবা টিমশিং ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং শরুক য়ারকখিবা গ্রুপ ১০ গী খ্বাইদগী ফজবা অনীশুবা পোজিসন লৈখিবা টিম ৫ টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বালিফাই ওইনবগী চৎন–পথাপ লৌখৎলি।

চৎন–পথাপ অসিগী মতুং ইন্না গ্রুপ (এ) দা পোইন্ট ৯ ফংদুনা ২শুবা পোজিসন তাখিবা সাউদি আরবিয়া, গ্রুপ (এফ) তা পোইন্ট ৬ ফংলগা ২শুবা পোজিসন তাখিবা হোং কোং অমদি গ্রুপ (ঐচ) তা পোইন্ট ৬ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবা চাইনা টুর্নামেন্ট অসিদা ক্বালিফাই ওইখিদবনি।

## ওস্ট্রেলিয়ান হোক্কি লীগতা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী 'এ' টিম ন্যু সাউথ ৱেল্‌স টিমগী মখুত্তা মায়থিবা নংখ্রে

*পর্থ, সেপ্টেম্বর ৩০ঃ*

ওস্ট্রেলিয়াদা পাঙথোকপা ওস্ট্রেলিয়ান হোক্কি লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী নুপা অমসুং নুপীগী মেটচশিংদা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী 'এ' টিম ওস্ট্রেলিয়াগী ন্যু সাউথ ৱেল্‌স টিমগী মখুত্তা মায়থিখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি 'এ' টিম ওস্ট্রেলিয়াগী ন্যু সাউথ ৱেল্‌সকী টিমগী মখুত্তা অকনবা লম্বা তৌনরগা শুপ্নগী পাঞ্জল ০–১ দা মায়থিহৌখি। পনবা য়াই ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি 'এ' টিম্না ওস্ট্রেলিয়ান হোক্কি লীগ অসিগী অহৌবা মেটচতা ৱেষ্টর্ন ওস্ট্রেলিয়াগী টিম্বু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা লাকখিবনি।

ঙসি ওস্ট্রেলিয়ান হোক্কি লীগকী অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপাগী 'এ' টিম্না ন্যু সাউথ ৱেল্‌সকী টিমগা লম্বা তৌনবদা অকনবা লম্বা পীদুনা অহানবা হাল্ফ অদুদা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখ্রবা মতুং অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মিনট ৭ চঙশিল্লকপদা ন্যু সাউথ ৱেল্‌সকী ৱেক গোবর্সননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইন্দিয়াগী হোক্কি 'এ' টিম অদুবু মাঙজিল থাদুনা চনখি।

ইন্দিয়াগী 'এ' টিম্না ন্যু সাউথ ৱেল্‌সকী পাঞ্জল অদু হন্দাকপা ঙমদনা ওস্ট্রেলিয়ান হোক্কি লীগকী অনীশুবা মেটচ ০–১ দা মায়থিখি।



*ন্যু সাউথ ৱেল্‌সকী মখুত্তা মায়থিহৌরবা ইন্দিয়াগী নুপীগী 'এ' টিমগী শান্নরোইশিং*

চখরিবা ওস্ট্রেলিয়ান হোক্কি লীগ অসিগী নুপীগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী নুপীগী 'এ' টিম ঙসি ন্যু সাউথ ৱেল্‌সকী টিমগী মখুত্তা য়াম্না শোত্থনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা ০–৭ দা মায়থিখি।

ওস্ট্রেলিয়াগী সিটি পর্থতা শান্নরিবা ওস্ট্রেলিয়ান হোক্কি লীগ অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি 'এ' টিম ওস্ট্রেলিয়াগী ন্যু সাউথ ৱেল্‌স টিমগা লম্বা তৌনরকপদা য়াম্না অৱাবা নংখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা ন্যু সাউথ ৱেল্‌সকী শান্নরোইশিং অদুনা চখরকপা এটেকশিং অদুদা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি 'এ' টিম পাউখুম পীবা ঙমখিদে।

শান্নবগী অনীশুবা মিনটতা ন্যু সাউথ ৱেল্‌সকী ইমেলি স্মিথনা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমগী মায়োক্তা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মেটচ অদুগী ৬শুবা মিনটতা মখা তানা ন্যু সাউথ ৱেল্‌সকী কোর্টনি স্কোনেলনা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

মখা তারকপা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কিগী 'এ' টিম অদুনা ওস্ট্রেলিয়াগী টিম অদুনা চনশিনখিবা পাঞ্জল অনী অদু হন্দাক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরিঙৈ শান্নবগী ১২ শুবা মিনটতা ন্যু সাউথ ৱেল্‌সকী জেমি হেমিংৱেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াগী টিম অদুবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা চংখি।

অহানবা ক্বার্টরদা ন্যু সাউথ ৱেল্‌সকী নুপীগী হোক্কি টিম অদুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি 'এ' টিম অদুবু পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা চংলিঙৈ শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা ওস্ট্রেলিয়াগী টিম অদুগী মায়কৈদগী জেসিকা ৱাটরসননা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৪–০ দা মাঙজিল থাখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি 'এ' টিমগী শান্নরোইশিং অদুনা ওস্ট্রেলিয়াগী টিম অমাওইরিবা ন্যু সাউথ ৱেল্‌সকী শান্নরোইশিংনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৪–০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং ফনা কন্না হোৎনরবা মতুং শওং শাদা চাং দম্নবদা অহেনবা ওইখিবা ন্যু সাউথ ৱেল্‌সকী শান্নরোইশিং অদুনা মখা তানা মেটচকী অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৩ চনশিল্লগা লীগকী অনীশুবা মেটচ অদুদরা ৭–০ দা মায় পাকখি।

ওস্ট্রেলিয়ান হোক্কি লীগ ২০১৭ কী নুপীগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী নুপীগী 'এ' টিম্না অহুমশুবা মেটচ ওইনা ওক্তোবর ২ দা সাউথ ওস্ট্রেলিয়াগা শান্নরগনি।

## ইন্দিয়াগী ভিদিত গুজরাথি অমসুং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন মেগনস কার্লসনগা দ্রো চংখ্রে

*দোগ্লাস, সেপ্টেম্বর ৩০ঃ*

মালেমগী চেছ চেম্পিয়ন ওইরিবা নোরৱেগী শান্নরোই গ্রান্দ মাষ্টর মেগনস কার্লসনবু আইজল ওফ মান চেছ টুর্নামেন্টকী ৭শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা গ্রান্দ মাষ্টর ভিদিত গুজরাথিনা অকনবা লম্বা পীরকপদগী দ্রো চংখ্রে।

আইজল ওফ মানগী সিটি দোগ্লাসতা চখরিবা আইজল ওফ মান চেছ টুর্নামেন্টকী ৭শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোই গ্রান্দ মাষ্টর ভিদিত গুজরাথিনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন নোরৱেগী মেগনস কার্লসনবু ৩১ শুবা মুভতা দ্রো শান্নদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা য়াম্না ফজবা খোঙথাং অমদা চঙশিনবা ঙম্লি।

মেটচ অদুগী মতুংদা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ৭শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী ভিদিত সন্টোস গুজরাথি পোইন্ট ৫.৫ ফংলগা মহাক্কা দ্রো চংখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন নোরৱেগী মেগনস কার্লসনগী পোইন্ট ৬ কী মতুংদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ৭শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই এসপি সেথুরমন স্পেনগী বালেজো পোন্স ফ্রান্সিসকোগা দ্রো চংখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী অরাবিন চিদম্ব্রম চাইনাগী হৌ য়িফানগী মখুত্তা মায়থিখি।

মহাক্তা নৎতনা ইন্দিয়াগী প্রগানন্ধ য়ুএসকী একোবিয়ানগী মখুত্তা মায়থিবা নংখি। অদুগা হরিকা দ্রোনাভালি রুশিয়াগী ক্রামনিক্কী মখুত্তা মায়থিহৌখি।

## ইংলেন্দগী ওপনর জে বার্ষ্টো গী সেঞ্চুরিনা ৱেষ্ট ইন্দিজবু মায়থিবা পীদুনা সেরিজ লৌখ্রে

*সাউথমতন, সেপ্টেম্বর ৩০ঃ*

ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নবা ক্রিকেটকী ৱান দে মেটচ ৫ গী অরোইবা মেটচ অদু ইংলেন্দনা ৱিকেট ৯ মায়থিবা পীদুনা সেরিজ অদু ৪–০ দা লৌখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা মেটচ ৫ গী ৱান দে সেরিজ অদুগী মাঙওইননা ইংলেন্দনা মাঙজৌননা মেটচ ৩ মায় পাক্লগা অতোপ্পা মেটচ অমা ফল লৈখিদবদগী সেরিজ লৌখ্রবনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৫শুবা অমদি অরোইবা ৱান দে মেটচ অদুদা ইংলেন্দনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী রন ২৮৮ অদু তান্নরকপদা ৱিকেট অমখক তুরগা য়ুম্বু ইংলেন্দগী টিম অদুনা রন ২৯৪ লৌদুনা মায় পাকখিবনি।

মেটচ অদুগী টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেনশিংনা অপীবা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২৮৮ লৌখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী মায়কৈদগী অহুমশুবা বেটচমেন এস হোপনা রন ৭২ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইখি।

ইংলেন্দগী বেটচমেশিংগী মায়কৈদগী ওপনর জে বার্ষ্টো অমসুং জে রোইনা য়াম্না ফজবা মওংদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোলরশিং অদুবু মায়োক্লদুনা মায় পাক্লবগী রন অদু য়ৌনবা অশোয়–অঙাম য়াওদনা শান্নরকপা অদুনা রন ১৫৬ য়ৌরকপদা ওপনর রোই রন ৯৬ তা আওট ওইখি।

মতুংদা চঙলকখিবা জো রূত অমসুং বার্ষ্টোনা মেটচ অদু ৩৮শুবা ওভরদা মায় পাকপগী রন অদু লাম্হোক্তুনা রন ২৯৪ লৌরগা থোইখি।

## ৱুহান ওপন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ফ্রান্সকী কেরোলিনা গার্সিয়ানা লৌখ্রে দবলসকীনা স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিস অমসুং চাইনিজ তাইপৈগী চান য়ুং জাননা লৌখ্রে

*ৱুহান, সেপ্টেম্বর ৩০ঃ*

চাইনাগী সিটি ৱুহানদা চখরিবা ৱুহান ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়ানা ওস্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী টাইটলনা স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিস অমসুং চাইনিজ তাইপৈগী চান য়ুং জাননা লৌখ্রে।



*ৱুহান ওপন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবী ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়া*

ৱুহান ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ফ্রান্সকী কেরোলিনা গার্সিয়ানা ওস্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং সেট ২–১ দা থোইখি।

পনবা য়াবদি ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়ানা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা গ্রিসকী মারিয়া সকারিবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৩, ৬–২ দা থোইরমখি। অমরোমদা গার্সিয়াগী ফাইনেলদা লম্বা ওইখিবী ওস্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ লাটভিয়াগী জেলেনা ওস্টাপেনকোবু ৬–৩, ৬–০ দা থোইরম্বনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু শান্নরোই অনীমক য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লন্দুনা শান্নরকখিবা মরম্না টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। টাই ব্রেক অদুদা ওস্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা ফজবা হেনখিবদগী গার্সিয়াবু ৭–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদসু য়াম্না অকনবা লম্বা ওইখি। সেট অদুদা টাই ব্রেক ফাওবা পুরক্তুনা য়াম্না মান্নবা মওংদা লৈখি। টাই ব্রেক অদুদা ফ্রান্সকী গার্সিয়ানা ওস্ট্রেলিয়াগী বার্টিবু ৭–৪ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

সেট অমমম মান্নরবা মতুং অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা ফ্রান্সকী কেরোলিনা গার্সিয়ানা ওস্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিগী সার্ভিস গেম অনী ঙন্না ব্রেক তৌখিবদগী ৬–২ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

ৱুহান ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিস অমসুং চাইনিজ তাইপৈগী চান য়ুং জাননা জপানগী সুকো ওয়ামা অমদি চাইনাগী য়াং ঝাওজুয়ানবু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু হিঙ্গিস অমসুং চানগী পেয়র অদুনা য়াম্না ৱানা জপান অমসুং চাইনাগী পেয়র অদুবু ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অদুবু অনীশুবা সেট অদুদা জপান অমসুং চাইনাগী পেয়র অদুনা হিঙ্গিস অমসুং চানগী পেয়র অদুগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

সেট অমমম মান্নরবা মতুং অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা স্বিজরলেন্দগী মার্টিন হিঙ্গিস অমসুং চাইনিজ তাইপৈগী চান য়ুং জানা ফজবা হেনখিবদগী ১০–৪ দা থোইদুনা নুপীগী দবলসকী টাইটল অদু লৌখি।

উজবেকিস্তানগী সিটি টাস্কেন্টতা চখরকপা টাস্কেন্ট ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা য়ুক্রেনগী কেটরিনা বোন্দারেনকোনা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।



*ৱুহান ওপন টেন্নিসকী নুপীগী দবলস টাইটল ফংখ্রবা হিঙ্গিস অমসুং চান*

## ইন্দিয়াগী দিপিকা পাল্লিকল সান ফ্রান্সিস্কো স্কৱাসকী সেমি ফাইলেদা লৈহৌরে

*সান ফ্রান্সিস্কো, সেপ্টেম্বর ৩০ঃ*

য়ুএসএগী সান ফ্রান্সিস্কোদা পাঙথোক্লিবা ওরেকল নেটসুট ওপন (সান ফ্রান্সিস্কো ওপন) স্কৱাস টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী নুপীগী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী দিপিকা পাল্লিকল মালেসিয়াগী নিকোল দেবিদকী মখুত্তা মায়থিহৌরে।

য়ুএসএগী সান ফ্রান্সিস্কোদা চখরকপা পিএসএ (প্রোফেসনেল স্কৱাস এসোসিয়েসন) গী মনুং চনবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ওরেকল নেটসুট ওপন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী দিপিকা পাল্লিকলনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৮ লক ওইবা ঙমখ্রবী মালেসিয়াগী নিকোল দেবিদকা লম্বা তৌনবদা অহেনবা পাঙ্গল পুথোকপা ঙমদবদগী গেম ৩ অদু শুপ্নগী মিনট ২২ দা মায়থিখি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম দেবিদনা ১১–৩ দা থোইখি। মদুগী মতুং ইন্দিয়াগী দিপিকা পাল্লিকল হিরম অমত্তদা পাঙ্গল পুথোকপা ঙমদবদগী অনীশুবা গেম ০–১১ দা মায়থিখি। অদুবু অহুমশুবা গেম অদু ১১–৫ দা নিকোলনা থোইখিবনি।

## ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা টোটেনহাম হোটস্পর মায় পাকখ্রে, স্পেনগী লা লীগাদা দিপোর্টিভো লা কোরুনানা গেটাফে পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে

*লন্দন। মাদ্রিদ, সেপ্টেম্বর ৩০ঃ*

য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা পাঙথোক্লিবা তোঙান–তোঙানবা ক্লবকী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মনুংদা অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা হদর্সফিল্ড টাউনবু পাঞ্জল ৪–০ দা থোইখ্রে। স্পেনগী লা লীগাগী মেটচ অমদা দিপোর্টিভো লা কোরুনানা গেটাফে পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা হদর্সফিল্ড টাউনবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা টোটেনহাম হোটস্পরগী মায়কৈদগী চখরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা হেরি কেননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।



*টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোই হেরি কেননা মায়োক্লবা টিমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনখিবা মতাং*

পাঞ্জল মাঙজিল থারবা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংগী মখা তাবা এটেক অমদা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই বেন দেবিসনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা হদর্সফিল্ড টাউনবু ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

টিম অনীনা মখা তানা শান্নরকপদসু টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লৈখি। শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা টোটেনহাম হোটস্পরগী এটেক অমদা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা হেরি কেননা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থারবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু শান্নবা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। হদর্সফিল্ডগী মায়কৈদগীসু মখোয়গী মথক্তা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংনা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অদু হন্দাক্নবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু পাঞ্জল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা ফংখিদে।

মতম কুইনা মখা তাবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী অরোইবা মীৎকুপ্তা টোটেনহাম হোটস্পরগী এটেক অমদা টিম অদুগী মৌসা সিসোকোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু টোটেনহাম হোটস্পরনা হদর্সফিল্ড টাউনবু ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

স্পেনগী লা লীগাগী ৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা দিপোর্টিভো লা কোরুনানা গেটাফেবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদুদা মায়কৈ অনীদগী য়াম্না লম্বা মান্নখিবা মরম্না অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী ৫৪ শুবা মিনটতা গেটাফেগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা অমাথনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা দিপোর্টিভো লা কোরুনাবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চংখি। পাঞ্জল অমা শোত্থরবা দিপোর্টিভো লা কোরুনাগী শান্নরোইশিংনা এটেক চখদুনা শান্নরকপদা শান্নবগী ৬৬ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই লুকাস পেরেজনা ইক্বেলাইজর ওইহনবা ঙমখি।

য়াম্না লম্বা মান্নখিবা মেটচ অদুগী মখা তানা টিম অনীনা শান্নরকপদা মতম কুইনা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৮৭ শুবা মিনটতা দিপোর্টিভো লা কোরুনাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই ফ্লোরিন এন্দ্রোননা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা গেটাফেবু ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সেল্ট ভিগো অমসুং গিরোনা পাঞ্জল ৩–৩ চন্নরগা দ্রো চংখি। সেল্টা ভিগোগী পাঞ্জল অহুম অদু শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা পিওনে সিষ্টোনা অমা, ১৬ শুবা মিনটতা মেক্সিমিলিয়ানো গোমেজনা অমা অমসুং শান্নবগী ৭৬ শুবা মিনটতা দেনিয়েল ৱাসনা অমা চনখি।

অদুগা গিরোনাগী পাঞ্জল অহুম অদুনা শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা খৃষ্টিয়ান পোর্টুনা অমা, শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা খৃষ্টিয়ান ষ্টোনিনা অমা অমসুং শান্নবগী ৮৬ শুবা মিনটতা জৌপেনা অমা চনখিনি।

জর্মনিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা বুন্দেস লীগাগী ঙসি শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সাল্কে ০৪ অমসুং বেয়র লেভরকুসেন পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চংখি।